# দুবাই এয়রলাইনর রশিয়াদা কাইখ্রে, ইন্দিয়ন অনী ক্রু তরেৎ য়াওনা অতোংবা ৬২মক শিখ্রে



মোস্কো, মার্চ ১৯ (এজেন্সী) ঃ
ইন্দিয়ন অনী য়াওনা মীওই ৬২ তোংবা দুবাই এয়রলাইনর অমা ঙসি অয়ুক রশিয়াগী খা থংবা লমদমদা লৈবা রোষ্টোভ সিটিগী এয়রপোর্টতা অকনবা নুংশিৎ অমসুং উবদা ৰাবা নোংচীংগী ফীভম মরক্তা তাশিনবদা কাইখ্রে লোয়ননা মদুদা তোংলিবা মীওই খূদিংমক শিখ্রে।

দুবাইদগী পাইরকখিবা ফ্লাইদুবাই বোইং ৭৩৭ অদু অকনবা নুংশিৎ মরক্তা এয়রপোর্ট অদুবু কোইদুনা লৈরম্লবা মতুংদা তাশিনবদা কাইখিবনি হায়রি।

এয়রপোর্টতা তানবা হঞ্জিন হঞ্জিন হোৎনবদা পুং ২ হেন্না চঙখিবা খুদোংচাদবা নোংচীংগী ফীভম লৈবনা মরম ওইদুনা পেসেঞ্জর এয়রক্রাফ্ট অদু কাইখিবা ওইরমগনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

প্লেন কাইবদুদা শিখিবশিং অদুগী নেসনেলিটিগী মরমদা অকুপ্পশিং পীরদুনা দুবাই মিদিয়া ওফিসনা হায়খি, দুবাইদগী পাইরকখিবা এয়রক্রাফট অদুদা রশিয়ন ৪৪, য়ুক্রেনিয়ন নিপান, ইন্দিয়ন অনী অমসুং য়ুজবেকিষ্টানদগী মীওই অমা তোংখি।

লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগীদমক্তা মিদিয়া ওফিসনা য়ুনাইটেদ আরাব ইমিরেটস পুম্বগী মহুৎ শীন্দুনা অৰাবা ফোঙদোকখ্রে।

ত্বিটরদা ফোঙদোকপা ৱারোল অমদা মিদিয়া ওফিস অদুনা হায়খি, ইমিরেট তরেৎকী ফেরেসন অমা ওইরিবা য়ু এ ঈ অপুম্বনা লাইবক থীবা থৌদোক অদুগী ভীক্টিমশিংগী ইমুংশিং, রশিয়ন গভর্ণমেন্ট অমসুং মসিগী মীয়ামগী মফমদা থম্মোয় শোক্লা অৰাবা ফোঙদোকচরি।

রশিয়াগী ইরমজেন্সিজ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙখিবা লিষ্ট অমনা ফ্লাইদুবাইনা ওপরেট তৌবা বোইং ৭৩৭-৮০০ অদুদা অয়াম্বনা রশিয়ন ওইবা পেসেঞ্জর ৫৫ অমসুং ক্রু মেম্বর তরেৎ তোংলকখি হায়বা উৎখি।

ঙসিগী থৌদোক অদু বজেট কেরিয়র অদুনা কুমজা ২০০৯দা ওপরেসন হৌখিঙৈদগী ইহান হানবা কাইবগী থৌদোকনি। ফ্লাইদুবাইগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফ্লাইট ৯৮১ অদু এয়রপোর্টতা তাশিনবদা কাইখিবনি অমসুং থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা হিংখিদ্রে হায়বা কনফার্ম তৌখি। প্লেন কাইবদুদা অঙাং মরি শিখ্রে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।


মোস্কোগী খারোমদা কিলোমিটর ৯৫০ (মাইল ৬০০) রোম থাপ্না লৈবা রোষ্টোভ রিজনগী গভর্নর বাসিলি গোলুবেবনা লোকল জর্নেলিষ্টশিংদা পীখিবা ৱারোল পল্লদুনা রশিয়ন ন্যুজ এজেন্সীশিংনা হায়খি, প্লেন অদু রনৱে য়ৌগদবা মিটর ২৫০ ৱাৎলিঙৈদা কাইখিবনি।

প্লেন কাইখিবগী মরম খুদক্কী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমখিদে তৌইগুম্বসুং গোলুবেভনা হায়খি, খূদিংমক য়েংলুরগা হরিকেন অমগী থাক য়ৌগদবা চাংদা কন্না শীৎখিবা নুংশিৎনা মরম ওইদুনা এয়র ক্রাস অদু থোকখিবা ওইগনি।

রশিয়ন ইমরজেন্সিজ মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, প্লেন অদু অকনবা নুংশিৎ মরক্তুদা এরয়পোর্টতা তাশিনবা মতমদা মাশা তৎপগা লোয়ননা কাইখি অমসুং মৈ চাকখি। ষ্টেটনা ফোঙবা রিয়া নোভোষ্টিগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না, এয়রক্রাফট অদুগী ফ্লাইট রেকোর্দরশিংগী মনুংদা অমদি ফংলে হায়রি।

চৈরকসিদা, রশিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা মরী লৈনবা খূদিংমক্লা ইহান হান্না পায়খৎকদবা থবক্তি লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা শিখিবশিং অদুগী মরী মতাশিংবু মতেং পাংবনি হায়খ্রে।

# এক্সপিদিসন ৪৭কী ক্রু মেম্বরশিং ইন্টরনেসনল স্পেস ষ্টেসনগী এষ্ট্রোনোটশিংগা পুনখ্রে



ৱাশিংটন, মার্চ ১৯ (এজেন্সী) ঃ
এক্সপিদিসন ৪৭কী ক্রু মেম্বর ৩ ঙসি ইন্টরনেসনল স্পেস ষ্টেসন (আই এস এস)তা অশোয়-অঙাম য়াওদনা থুংখ্রে। মখোয়না মফম অদুদা প্লানেট মার্স য়াওনা নাসাগী মনুং হঞ্জিনবা স্পেস মিসনশিংগী খোঙচৎতা খুমাং চাউশিনহনগদবা মরু ওইবা রিসার্চ মখা তানা চৎথগনি হায়রি।

নাসাগী এষ্ট্রোনেট জেফ ৱিলিয়মস অমসুং রশিয়ন স্পেস এজেন্সী রোস-কোসমোসকী কোসমোনোটশিং অলেক্সি ওভচিনিন অমসুং ওলেগ স্ক্রিপোকচা মরি অসি সোরুজ টি এম এ-২০ এম স্পেসক্রাফট অমদা তোংদুনা কাজাখষ্টানগী বাইকোনুর কোসমোদ্রোমদগী থাগৎখি। স্পেসক্রাফট অদু আর্থবু ওর্ভিটতা মরিরক কোইরবা মতুংদা ইন্টরনেসনল স্পেস ষ্টেসনগা শন্নখি।

এষ্ট্রোনোট ৱিলিয়মস ষ্টেসন অদুনা অহুম্লক চৎপা অহানবা অমেরিকান ওইবগা লোয়ননা ওর্বিটতা লৈবা লেবোরেটরি অদুদা মতম শাংনা লৈবা মীশক অমা ওইরে হায়রি।

এষ্ট্রোনোট ৱিলিয়মস, কোস্মোনোট ওভচিনিন অমসুং কোস্মোনোট স্ক্রিপোকচা থুংখিবগা লোয়ননা ইন্টরনেসনল স্পেস ষ্টেসনগী ক্রু মশীং অমুক হন্না তরুক য়ৌখ্রে। মখোয় অহুম মিসন কম্মান্দর নাসাগী টিম কোপ্রা অমসুং ফ্লাইট ইঞ্জিনিয়রশিং য়ুরোপিয়ন স্পেস এজেন্সী (ঈ এস এ)গী টিম পীক অমসুং রোসকোস্মোসকী য়ুরি মালেনচেনকোগা ষ্টেসন অদুদা পুল্লিবনি হায়রি।

এক্সিপিদিসন ৪৭কী ক্রু মেম্বরশিং অদুনা ষ্টেসন অদুদা থা ৫ লৈদুনা মীওইবা পুম্ববু কান্নবা ফংহনগদবা লমশিংদা সাইঅন্সকী ইনভেষ্টিগেসন ২৫০ হেন্না পাঙথোক্কনি হায়রি। মখোয়না ইনভেষ্টিগেসন পাঙথোক্কদৌরিবা লমশিং অদুদা বাইওলোজি, আর্থ সাইন্সেস, হ্যুমেন রিসার্চ, ফিজিকেল সাইন্সেস অমসুং টেক্নোলোজি দিভলপমেন্ট য়াওরি হায়না য়ু এসকী স্পেস এজেন্সী অদুগী (নাসাগী) ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

ওর্বিটল এ টি কেগী নাসানা কোনট্রেক্ট তৌবা মার্চ অথেংবগী মঙারকশুবা কম্মর্সিয়ল রিসপ্লাই মিসন অদুদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইনভেষ্টিগেসনশিং অদুদা স্পেস-ক্রাফট অমদা থাঙ্গৈশেংনা মৈ চাকপগী মরমদা থিজিনবা য়াওরি অমসুং মদুনা স্পেসতগী আর্থকী এটমোসফিয়রদা চঙলক্লিবা মিটিওয়রশিংগী মরমদা অহানবা ওইনা স্পেসতা থিজিনবা ঙমহল্লগনি হায়রি।

# ইষ্টানবুলদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই মরি শিখ্রে



অঙ্কারা, মার্চ ১৯ (এজেন্সী) ঃ
ইষ্টানবুলগী মী চীনবা খোঙনা চৎনবা সোপ্পিং লম্বী অমদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম শিখ্রে অমসুং মীওই ১০ অশোক অপন নংখ্রে হায়না প্রাইভেট দোগন ন্যুজ এজেন্সীনা ফোঙদোকখ্রে। এটেক অদু সুইসাইদ বোম্মিং এটেক অমা ওইবা য়াই হায়না থাজনৈ হায়না দোগন ন্যুজনা মখা তাখি।

ষ্টেটনা ফোঙবা এনাদোলু এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়খি, কেফে, রেষ্টোরেন্ট অমসুং মীরৈবাক্কী কন্স্যুলেট বিল্ডিংশিং লৈবা ইষ্টিকলাল ষ্ট্রিটতা থোকখিবা বোম পোক-খায়বমদা এম্বুলেন্স কয়া থৌজিন্নখ্রে। প্রাইভেট এন টি ভি টেলিভিজননা হায়খি, বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু সোপ্পিং মোল অমগী মমাঙদা থোকখিবনি।

হন্দক্তা কেপিটেল অঙ্কারাদা থোকখিবা সুইসাইদ বোম এটেক অনীগী মতুংদা টর্কিনা চরক-চহিংনবা অৱাবা ফীভম অমা মায়োক্লদুনা লৈরিঙৈ তাল্লক্তা ঙসিগী বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তু থোকখিবনি। অঙ্কারাগী এটেকশিং অদু অথিংবা থল্লিবা কর্দিষ্টান ৱার্করস পার্টি নৎত্রগা পি কে কেদগী হায়দোকখিবা কর্দিশ মিলিটেন্ট গ্রুপ অমনা ক্লেম তৌখিবনি।

# হোস্পিটালদা বোম থাদবদা চেন্নবা য়ু এস মিলিটরিগী মীওইশিং চৈরাক পীখ্রে



ৱাশিংটন, মার্চ ১৯ (এজেন্সী) ঃ
অফঘানিষ্টানদা ডোক্টরস ৱিদাউট বোর্দরস (এম এস এফ)না শীন-লাংবা হোস্পিটাল অমদা শাথিরবা এয়র ষ্ট্রাইক অমা চথখিবদা চেন্নবা য়ু এস মিলিটরি পার্সনেল পূম্নমক চৈরাক পীখ্রে নৎত্রগা চৈরাক পীগনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নেটোনা বেকিং পীবা অফঘান ফোর্সশিংনা অৱাং থংবা প্রোভিন্সকী কেপিটেল কুন্দুজবু কন্ট্রোল তৌনবা লালহৌবশিংগা খুৎ থোক্ল রিঙৈ হৌখিবা ২০১৫গী ওক্টোবরদা মফম অদুদা লৈবা এম এস এফকী হোস্পিটালদা বোম থাদবদা মীওই ৪২ শিখিবনি।

য়ু এস মিলিটরিনা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ইনভেষ্টিগেসন অমা পাঙথোকখি অমসুং মীওইবগী ওইবা অশোয়বা লৈরম্বা থেংনখি।

"থৌদোক অদুগা নকশিন্নবা মরী লৈনখিবা মীওইশিং অদু মখোয়গী মথৌদগী সস্পেন্দ তৌখ্রে অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিব এক্সন লৌখৎনবা রিফর তৌখ্রে" হায়না য়ু এস সেন্ট্রেল কম্মান্দগী স্পোক্সমেন অমা ওইরিবা কর্নেল পেত্রিক রাইদরনা হায়খি।

মিলিটরি পার্সনেল ১০ হেন্না এদমিনিষ্ট্রেটিব এক্সন মায়োক্লরি হায়না অতোপ্পা ওফিসল অমনা হায়খি।

মহাক্লা হায়খি, লৌখৎলবা য়াবা এক্সনশিংগী মনুংদা "নেগেটিব কাউন্সেলিং" নৎত্রগা অমুক হন্না তৌদনবা হায়বা নৎত্রগা মতুং তাবা প্রমোসন্দা অপনবা ওইগদবা চৈবগী চেরোল অমা পীবনচিংবা ওইবা য়াই। কম্মান্দ লৌথোকপসু চৈরাক অদুদা য়াওবা য়াই হায়না মহাক্লা হায়খি।

লাক্লিবা চয়োলশিং অসিদা পেন্টাগোননা এটেক অদুগী মতাংদা মসিগী ওইবা রিপোর্ট অমা ফোঙগনি। মদু ক্লাসিফাইদ মেটরিএল য়াওহন্দনবা ইদিট তৌদুনা তেনশিনগনি হায়রি।

প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা কুন্দুজগী এটেক অদুগীদমক্তা ঙাকপীনবা হায়জখি অমসুং পেন্টাগোননা শিখিবশিংগী ইমুংদা কম্পেন্সেসন পীগনি হায়না লাউথোকখি।

ডোক্টরস ৱিদাউট বোর্দরসনা মহৈদি য়ান্দবীদা এয়র ষ্ট্রাইক অদুগী মতাংদা ইন্টরনেসনল ইনভেষ্টিগেসন অমা পাঙথোক্লবা আপিল তৌখি। হোস্পিটাল বোম্মিং অদু কুমজা ২০০১গী অথেংবদা য়ু এসনা লান্দাবদগী পৱারদগী চিংথুখিবা মতুংদা লাকখিবা মখোয়গী খ্বাইদগী চাউবা মিলিটরিগী মায় পাকপা ওইনা হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা টালিবাননা কুন্দুজবু মতেক খরা সিজ তৌখিবা মতুং ইকুই কুইদনা থোক্লকখিবনি।

# থাঙ পায়বা পালেষ্টিনিয়ন অমসু কাপ্পুনা হাৎখ্রে



জেরুসালেম, মার্চ ১৯ (এজেন্সী) ঃ
ইজরেলনা খুদুম চন্দুনা থল্লিবা ৱেষ্ট বেঙ্ককী হেব্রোন সিটিদা ঙসি ইনখৎলক্লিবা পালেষ্টিনিয়ন নহা অমনা ইজরেলি বোর্দর গার্দ অমা থাঙনা থিন দুনা শোকহনখ্রে, তৌইগুম্বসুং মহাক সিক্যুরিটিগী কাঙবুনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়না ইজরেলি পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

সেন্ট্রেল হেব্রোনগী য়েৎনদুনা লৈবা লাই খুরুম্ফম অমগী মনাক্তা থোকখিবা থৌদোক অদুদা গার্দ অমা শোকখি অমসুং অতোপ্পা বোর্দরগী গার্দ অমনা পালেষ্টিনিয়ন নহা অদুবু কাপ্পুনা হাৎখি হায়না পুলিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না, থাঙ পায়বা পালেষ্টিনিয়ন অদু মুস্লিমশিংনা ইব্রাহিমি মোস্ক অমসুং জ্যুশিংনা পেত্রিয়াকশিংগী শুরুংনি হায়নবা মফমদুগী মনাক্তা লৈবা চেকপোইন্ট অমা তম্না চঙশিল্লকখি। মফমদুদা লৈরম্বা গার্দশিংনা মঙোন্দা মশক তাক্ল বা হায়খি। নহা অদুনা খঙহৌদনা থাঙ শুরি অমা শত্তোরক্লগা গার্দ অমদা এটেক তৌখি। তুংদা মহাকপু অতোপ্পা গার্দ অমনা কোইতান তান্নদুনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি।

পালেষ্টিনিয়ন ওফিসলশিংনা নহা অদু মশাগী চহী ১৮ শুরবা অব্দালাহ অজলুনি কৌবা পালেষ্টিনিয়ন অমনি হায়না ফোঙদোকখি। পুলিসনা অহানবদা মহাক্কী চহী ১৭নি হায়না ফোঙদোকখি।

এ এফ পিনা পীবা ফিগরশিংগী মতুং ইন্না, হৌখিবা ওক্টোবর ১দগী হৌজিক ফাওবদা ওকুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্কতা হনবা নাইদনা থোকখিবা মীশি-মীনা য়াওবা ঈরাংশিংদা পালেষ্টিনিয়ন ১৯৮, ইজরেলি ২৮, অমেরিকান অনী, ইরিত্রিয়ন অমা অমসুং সুদান মচা অমা শিখ্রে। পালেষ্টিনিয়ন অয়াম্বা থাঙ নোংমৈ পায়বা নৎত্রগা কারনা থেংজিনবগী এটেকশিং চথরিঙৈ মতমদা হাৎখিবা ঙাক্তনি হায়না ইজরেলি ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি। অতৈ পালেষ্টিনিয়নশিং অদুনা প্রোটেষ্ট পাঙথোক্লিঙৈ অমসুং খুৎ থোক্লবদা কাপ্পুনা হাৎখিবনি।

ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈবা খ্বাইদগী চাউবা সিটি হেব্রোন অসি মতম শাংনা টেন্সন ময়ামগী হৌরকফম ওইদুনা লাকখি। সিটি অসিগী ময়াই চবুকমক্তুদা ইজরেলি সেটলর চা কয়া অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং মরক্তা পালেষ্টিনিয়ন ২,০০,০০০ রোমগী মরক্তা লৈ হায়রি।

থাংজ নুমিৎকী এটেক অদুগী মতুং তারকপদা ইজরেলি লান্মীশিংনা অরিবা সিটি অদুগী চংফম খূদিংমক থিংজিনখ্রে হায়না এ এফ পিগী জর্নেলিষ্ট অমনা ফোঙদোকখি।

ৱেষ্ট বেঙ্কপু ইজরেলনা খুদুম চন্দুনা থমজিনবা অমসুং মফম অদুদা য়ুম কৈ কয়া শাজিন্দুনা জ্যুশিংগী লৈফম ওন্থোকপা, লমদমদুদা ঈং-চীকপা ফীভম লৈহন্নবা হোৎনবদা প্রোগ্রেস লৈতবা অমসুং লূচিংবশিংগী মরক্তা মচোই-মচোই তাবগী ফীভম লৈবনা মরম ওইদুনা নীংবা কায়রবা পালেষ্টিনি-য়নশিংনা লেপ্তুনা ঈরাং তৌরিবনি হায়না এনালিষ্ট কয়ানা হায়রি।

অমরোমদা, ইজরেলনদি পালেষ্টিনিয়ন লূচিংবশিং অমসুং মিদিয়াগী থৌইনশিংদগী মীশি-মীনাগী থৌদোকশিং অদু থোক্লিবনি হায়খ্রে।




# EMPLOYMENT NEWS

## SBI ONLINE – 152 SPECIALIST OFFICER POSTS

**SBI Online – 152 Specialist Officer Posts:** State Bank of India (SBI) has released notification for the recruitment of 152 Acquisition Relationship Manager, Relationship Manager, Zonal Head/ Senior RM, Risk Officer, Compliance Officer, Investment Counsellor, Project Development Manager, Customer Relationship Executive vacancies in Specialist Cadre for wealth management in State Bank of India on contract basis. Eligible candidates may apply online from 16-03-2016 to 31-03-2016 & send hard copy of application on or before 07-04-2016. Other details like age limit, educational qualification, selection process, how to apply are given below…

**SBI Specialist Officer Vacancy Details:**
**Total No of Posts: 152**
**Name of the Posts:**
1. Acquisition Relationship Manager: 39 Posts
2. Relationship Manager: 71 Posts
3. Relationship Manager (Team Lead): 03 Posts
4. Zonal Head/ Senior RM-Sales (Corporate & SMEs): 01 Post
5. Zonal Head/ Senior RM-Sales (Retail HNI): 02 Posts
6. Risk Officer (Mid-Office): 01 Post
7. Compliance Officer: 01 Post
8. Investment Counsellor: 17 Posts
9. Project Development Manager – Business: 01 Post
10. Project Development Manager – Technology: 01 Post
11. Customer Relationship Executive: 15 Posts

**Name of the Location/ Centre:**
1. Bangalore: 25 Posts
2. Hyderabad: 15 Posts
3. Pune: 16 Posts
4. Chennai: 11 Posts
5. Ahmedabad: 09 Posts
6. NCR: 29 Posts
7. Mumbai: 28 Posts
8. Kochi: 06 Posts
9. Thiruvananthapuram: 04 Posts
10. Bhopal: 04 Posts
11. Delhi: 01 Post
12. Corporate Centre, Mumbai: 04 Posts

**Age Limit:** Candidates age should be between 22-35 years for post 1, 23-35 years for post 2, 8, 25-40 years for post 3, 6, 7, 9, 10, 30-50 years for post 4, 5, 20-35 years as on 01-03-2016. Age relaxation is applicable 5 years for SC/ ST, 3 years for OBC, 10 years for PwD (Gen), 15 years for PwD (SC/ ST), 13 years for PwD (OBC) candidates & for others as per rules.

**Educational Qualification:** Candidates should possess Graduation from Government recognized University or Institution for post 1 to 8, 11, MBA/ MMS/ PGDM from reputed college/ university for post 9, 10 with relevant experience.

**Selection Process:** Candidates will be selected based on qualification, experience & overall suitability, interview.

**Application Fee:** Candidates have to pay Rs. 600/- (Rs. 100/- for SC/ ST/ PwD candidates) through online payment gateway by using debit card/ credit card/ internet banking etc.

**How to Apply:** Eligible candidates may apply online through the website www.statebankofindia.com or www.sbi.co.in from 16-03-2016 to 31-03-2016 & send hard copy of online application along with photocopies of all relevant certificates, e-Receipt of fee payment by post to State Bank of India, Central Recruitment & Promotion Department, Corporate Centre, 3rd Floor, Atlanta Building, Nariman Point, Mumbai-400021 on or before 07-04-2016.

**Instructions to Apply Online:**
1. Before applying candidates have valid Email ID & scanned copies of photograph & signature.
2. Log on through the website www.statebankofindia.com or www.sbi.co.in.
3. Click on "Careers with us" —> "Recruitment of Officers in Specialised Positions for Wealth Management in State Bank of India".
4. Click on "Apply Online".
5. Click on "Click here for New Registration", if you are new user.
6. Get registered & then fill all the details & upload photo, signature and click on Submit button.
7. Make payment through online.
8. After success full submission of online application, take printout of online application for future use.

**Important Dates:**
**Starting Date to Apply Online & for Payment of Fee** 16-03-2016
**Last Date to Apply Online & for Payment of Fee** 31-03-2016
**Last Date for Editing Application Details** 31-03-2016
**Last Date for Printing your Application** 07-04-2016
**Last Date for Submission of Hard copy of Application** 07-04-2016
**For more details, please visit on the link given below**
http://www.freejobalert.com/sbi-online/20638/